# নোংজুথা মতমদা জিঙ্খ্ৰ অহোবদা মহৈরোইশিং লাইরিক তম্বা ঙম্লোই ঃ সরতকুমার



*জিরিবাম, এপ্রিল ৪ ঃ*

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোংবুং প্রাইমারি স্কুল অসি ফিভম য়াম্না শোকপনা মহৈরোইশিং ক্লাস তৌবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। স্কুল অসিগী ফিভম য়েংবা ঙমদবদগী মোংবুং লাইরেম্বী ক্লব, স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর টি ঐচ সরতকুমার অমদি প্রেসকী মীওইশিংগা লোয়নননা য়েং শিনমিন্নখ্রে।

হেদ মাষ্টর টি ঐচ সরতকুমারনা হায়, স্কুল অসিদা হৌজিক ঐ ইশা থারগা ওজা ৪না মহৈরোই ৫৭ তাকপী তম্বীরি। স্কুলগী ফিভম শাথিনা শোক্লবনা মরম ওইরগা জিরিবাম জেদ ই ও মশাদসু ফোটোগা কোন্ননা কমপ্লেন্ট কয়া তৌখ্রে। অমদি জিরিবামগী এম এল এ অসাবুদ্দিনদসু কয়ারক হন্না হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু এম এল এনদি শারনি হায়না পীরকখিবা থাজবা পীরকপা অদু হৌজিক ফাওবা থবক অমত্তা তৌদনা তুমিন্না লৈরি। মমাঙদা ওইরম্বা ফিভমদগী হৌজিক্লা খরা ফগৎলবনি। রুম অমা এক্সটেন্সন তৌখিবা অদুসু উ পাম্বী অমা তেকশিনবদগী ঙসি ফাওবা শেমজিন্দনা থম্বীরি। চহী কয়াগী মমাঙদগী স্কুল অসিগী টোইলেট অমদি কিচন শান্নবনি হায়দুনা মীওই খরা লাক্লুনা শারমখি। অদুবু ঙসি ফাওবা শীজিন্নবা য়াদনা তেক্লুনা লৈরি। শাখিবা টোইলেট অমদি কিচর অসিদা ইশানা সহি তৌখিবসু লৈতে হায়খি।

স্কুল অসি য়েংশিনখিবদা য়াওখিবা মোংবুং লাইরেম্বী ক্লবকী প্রসিদেন্ট নাওরেম ওপেন্দ্র সিংহনা হায়, স্কুল অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়াম্না ফত্রে। নোংজু পন্থা লাকপনা মরম ওইরগা মথক্তা কুপ্লিবা জিঙ্খশিং হোবনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিং তাকপী তম্বীবদা অপনবা কয়া মায়োক্লরগনি। অমদি স্কুলগী ফক্লাংসু মথন্তা কিন্থবা য়ানা লৈরি। মরম অসিনা মরী লৈনবা মণিপুর সরকারগী মিনিষ্টর, এম এল এ অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীনবসু মহাক্লা অপিল তৌখি।

স্কুল অসি জিরিবামগী মনুংদা লৈবা খুঙ্গং ৩গী মরক্তা লৈবনি। লৈতা লাইরা ইমুংগী মহৈরোইশিং লাপ্লা তমহনবা ঙমজদবা কয়ানা স্কুল অসিদা তম্ফম ওইরিবনি। মরম অদুনা মণিপুর সরকারনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মখা তানা মোংবুং লাইরেম্বী ক্লবকী মেম্বরশিংনা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, স্কুল অসিগী স্পোর্টকী প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এ আই জেদ ই ও জিরিবাম এম ইমোচৌবা, সি আর সি হিলঘাট ক্লষ্টর এম নোয়োন, অমদি লোকেল মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এল সন্ধ্যারানি দেবীনা পুন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম লোইরবা মতুংদা এম ইমোচৌবা অমদি এম নোয়োননা স্কুল অদুগী ফিভম য়েংশিনখি। মদু উবদা মখোয়গী মায়কৈদগী ওথোরিটিগা তান্নরগা তৌবা য়াবা তৌনবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু পীরমখি হায়রি।

# মোরে কলেজ সরকারগী মপুং ফাবা কলেজ ওইহনগদবনি



*মোরে, এপ্রিল ৪ ঃ*

মণিপুরগী বোর্দর টাউন মোরেদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা মোরে কলেজবু সরকারগী কলেজ অমা ওইহনগদবনি হায়না তোঙান-তোঙানবা কম্ম্যুনিতি লিদরশিংনা সরকারগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে।

মৈতৈ কাউন্সিল মোরে (এম সি এম)গী প্রসিদেন্ট এম থোইবা সিংহ অমদি ওল কম্ম্যুনিতি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে (একোদোম)গী প্রসিদেন্ট আর কে সনায়াইমানা ঙসি পাউমীশিংদা হায়, তোঙান-তোঙানবা কম্ম্যুনিতি কয়ানা খুন্দাদুনা লৈমিন্নরিবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা মফমদা চৎতুনা মহৈ মশিং তম্বা ঙমজদবা লাইরবা ইমুংগী মহৈরোইশিংগী খন্দুনা কলেজ অসি সরকারগী মপুং ফাবা কলেজ অমা ওইহন্দুনা তঙাইফদবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎকদবনি। সরকারগী চীংদা চৎলু হায়বা খোল্লাউ অদু চীনদা পংলাও লাওবগী মহুত্তা থবক্তা উৎনবসু হোৎনগদবনি।

মখোয়না মখা তানা হায়, য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারগা লল্লোল ইতিক্কী থবক থৌরম কয়া তৌনরিবা অসিদা হেন্না মপুং ফানবা এক্ট ইষ্ট পোলিসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরিবা অসিদা এদুকেসনগী মঙাল মপুং ফানা ফংহন্দবা তারবদি মাংজবা কয়া লাক্কনি। লোয়ননা অতোপ্পা লমদগী লাকপশিংনা খুদোংচাবা লৌখিবা মশানা তারক্কনি। অমরোমদা ম্যান্মার রোমদগী মহৈরোই কয়াসু মণিপুরগী ঙমখৈ লমদা লৈবা স্কুলশিংদা মহৈ মশিং তম্নরিবনি। মখোয়বু অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্বা ঙম্নবা হোৎনবদা কলেজ অসিনসু চাওনা মতেং পাংলি। মরম অদুনা তঙাইফদনা সরকারনা মোরে কলেজদা মীৎয়েং চঙবীদুনা সরকারগী মপুং ফাবা কলেজ ওইহনবীয়ু হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

# মীওই ১০২না ঈ দান তৌখ্রে




*এস এন এস*
*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ*

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তৌবুলদা লৈবা তৌবুল য়ুথস দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (টি ৱাই দি এ)গী পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী লাইব্রেরি হোলদা লেম্না ঈ পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমসিদা ঈ পীখিবা নুপী ২৫ অমসুং নুপা ৭৭কি মনুংদা য়াওখিবা মশাগী ৩৮লক শুবা ওইনা ঈ পীখিবা রিগুলর ব্লদ দোন্নর ডা. হুইদ্রোম রোমেননা ফোঙদোকখিবদা মশাগী ঈ পীনিংবা মীওই কয়া লৈরগসু কদায়দা মতৌ করম্না পীগদগে হায়বা খঙদবগা লোয়ননা ঈ পীফমশিং লৈতবদগী পীদনা লৈনবা য়াম্না য়াওরে। মরম অসিনা ঙসিগী থৌরমসিগুম্না লুপশিংনা ব্লদ দোন্নর কেম্প পাঙথোকপসি য়াম্না কান্নে অমসুং চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

ঙসিগী কেম্প অসি টি ৱাই দি এগী রেদ রিবোন ক্লবনা জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্ক, মণিপুর হাপকিদো এসোসিয়েসন (ইশোক) য়ুনাইটেদ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টর্স ওর্গনাইজেসন (ঙাইখোং সিফাই), নেহরু য়ুব কেন্দ্র (বিষ্ণুপুর), ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি (বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ), রুরেল এরিয়া ৱুমেন এন্দ চাইল্ড এদুকেস্নেল দিভলপমেন্ট সোসাইটি (বিষ্ণুপুর), গ্লোবেল সাইন্স ক্লব (খোইজুমান), ঙাইখোঙ য়ুথ ক্লব (ঙাইখোঙ খুল্লেন) অমসুং মণিপুর য়াইফ তেংবাং থৌমীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা শীনখিবনি।

# ইন্টর কজেল দিবেটিং কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি

*মোরে, এপ্রিল ৪ ঃ*

নাওরেম বিরহরি কলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন খুন্দ্রাকপম ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ইন্টর কলেজ দিবেটিং কম্পিটিসন চৎলিবা থাসিগী ২৫ য়ুমশকৈশা নুমিৎকা পাঙথোক্কদৌরি।

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরী এন সি জবেলিননা থাদোরকপা চেরোলানা হায়, দিবেট অসিগী মোসনদি মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট ১৯৪৯ অসি মণিপুরগী রাইট টু সেল্ফ দিটর্মিনেসন খোঙ্গাওনবনি হায়বসিনি। ক্লাস ১১দগী গ্রেজুয়েট থাক ফাওবগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াগদবা কম্পিটিসন অসিগী মকোক মথং তাবশিংদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৪, লিশিং ৩ অমসুং লিশিং ২ অদুগা কন্সোলেসন প্রাইজশিং পীগনি।

য়াওনিংবা মহৈরোইশিংনা এন বি কলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ওফিসতগী ফোর্ম ফংগনি। অকুপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৮৭৯৪৪৪০১৫৭, ৮৮৩৭৪১৩৬১৯দগী খঙবসু য়াগনি হায়রি।

# বিষ্ণুপুরদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

*এস এন এস*
*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ*

ঙসি নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈনৌদা লৈবা মফমসিগী গ্রাম পঞ্চায়টকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ফ্রি হেল্থ কেম্প অসি গ্রাম পঞ্চয়ট অসিগা পোইরৈ অপোকপা মরূপ, মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা শিনখিবনি। কৈনৌ অমদি য়ুম্নাম খুনৌগী মীওইশিং, অনকপদা লৈবা নুপী, অঙাং য়াওনা মীওই ১০০ রোম লেম্না লায়েংবদা নত্তনা হিদাক-লাংথকশিংসু লেম্না পীখিবা কেম্প অসিদা স্কাই হোস্পিটাল, ইম্ফালগী ডাক্তর ১ অমসুং বনারসদগী লাকপা ডাক্তর ২ পুন্না মখোয় ৩না অনাবশিংবু লায়েংখি।

# খেলেন থোকচোম লৈখিদবদা লেপ্তনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ*

টেলিগ্রাফ পাউ-চেগী স্পিসিয়েল কোরেষ্টপোন্দেন্ট খেলেন থোকচোম্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা লেপ্তনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এস বিদ্যানন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খেলেন থোকচোমনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। লৈখিদ্রবগী থৱাইনা তাইবঙ শেম্বা মপুগী খুয়াখাদা ইংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়নসু থৌনিজরি।

পিপল এক্সন ফোর নেসনেল দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী জেনরেল সেক্রেটরী ঐচ মনাওচা খুমননা থাদোরকপা চেরোলনা, সঙাই এক্সপ্রেসকী ফাউন্দর এদিটর অমসুং টেলিগ্রাফ পাউ-চেগী স্পিসিয়েল কোরেষ্টপোন্দেন্ট খেলেন থোকচোমনা মনুং মতম চানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। পাউ-চেগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াগী মথক্তা অতৈ থবক কয়াদসু থৱায় য়াওনা চেং চোংলম্বা মশক নাইবা পাউমী অমনি হায়রদুনা মহাক্কী থৱাইনা ইনং চিক্লা লৈরুনবা তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিজরি অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

নুপী খুন্নাই কনবা লুপ (এন কে কে এল) ৱাংখৈ খুনৌ সোইবম লৈকাই, পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্টনসু খেলেন থোকচোম্না লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এন কে কে এলগী সেক্রেটরী আই পি আর ইবেতোম্বী ৱাইখোমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী মরু চংবা জর্নেলিষ্ট অমা মাংজবতা নত্তনা মতিং লৈবা অচুম্বা পুথোক্লুনা লাউবা ঙম্বা মীওই অমা মাংজরবনি। মহাক্লা লৈখিদবদা ইমুং মনুং, মরী মতা, মরূপ-মপাংশিংনা নং হৌরিবা অৱাবদসু লুপ অসিনা শরুক য়ারি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱাই মীরেলনা মপুগী লৈকোলদা ইং চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**লমায় ১ গী মখা**

# শাশিন্নবা সি দি এনা লৌথোক্লবা হোৎনখিবা শেনফম বেঙ্কতা সিজ তৌদুনা থম্লি…

গভর্ণমেন্ট অসিবু প্রজাশিংদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা অসি কংগ্রেস পার্টিনা থুনা শেঙদোকফম থোকই হায়খি। চীফ মিনিষ্টরনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অমসুং এন্টি করপসন সেলনা চেন্নরিবা অসিবু ফাগৎনবা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎফম থোকই হায়খি।

চত্থরিবা থৌওং অসি গভর্ণমেন্ট অসিবু মীংচৎ থিহন্নবা তৌবা ওইরোই হায়বগী চিংনদবা ঙমদে। মরম অসিনা খরা হেন্না কুপথনা থিজিন্নবা থবক চংশিল্লি হায়খি।

মসিগী শেনফম অসি লৌথোকখিবা লৈত্রি। কন্ট্রেক্টরগী একাউন্টতা চংজখ্রবসু মদু দি দি ও মশা মশানা শেনফম অদু চ্যেকতা লৌথোকপা য়ারোই হায়না খঙহনখ্রে হায়খি। শেনফম অসি হৌজিকসু সেফ কষ্টদিদা লৈরি হায়না লৌবা য়াই। মসিগী অশেংবা শেনফম অদু চপ চানা খঙদোক্লবা মতুংদা মেদিয়াগী খুত্থাংদা মীয়ামদা খঙহনগনি হায়খি।

# কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ষ্টেট অসিগী ওইনা নুপী ইন্টরপ্রেনিয়র হেনগৎহন্নবা স্কিল দিভলপমেন্টকী ট্রেনিং, সেমিনার, ৱার্ক্সোর্পনচিংবা কয়াসু পাঙথোক্লি অমসুং পাঙথোকখিগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নবার্দ মণিপুর রিজনেল ওফিসকী জেনরেল মেনেজর পি এম প্রবিন কুমারনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা সি এম এমগী চেয়ারপার্সন এন হরিমতি দেবীনা থৌরম মপু ওইখি। মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী জেনরেল মেনেজর ওইরম্বা কে ঐচ য়াইস্কুল সিংহ, স্মোল ইন্দষ্ট্রি দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (সিদবি)গী মেনেজর ইম্ফাল ব্রাঞ্চ জি রামকুমার শর্ম্মা, নোর্থ ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী প্রিয়োব্রতা গুরুময়ুম, রুরেল এগ্রিকলচরেল এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট সেন্টরগী সেক্রেটরী পি য়াইমা সিংহ, রিছার্স এন্দ রিপোর্টিং বোস্কো নেট ইন্দিয়াগী দোকুমেন্টেসন হেদ দৱ্বীয়ু বিমোলাতা দেবী অমদি সি এম এম গী ফাউন্দর মেম্বর পি মেমী দেবীসু ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিং নিংথিনা ঙাক শেনবদা মীয়ামগী …

স্কুল অদুগী হেদমিষ্ট্রেস, ওজাশিং অমসুং ভিলেজ ওঠোরিতিনা স্কুলগী বিল্ডিংঅমসুং হোষ্টেলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী ফিভম ফত্তবা কয়া অদু পাউদমখি। মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী মহাক্কী মায়কৈদগী লমদম অসিদা এদুকেসন সেক্টর চাউখৎহন্নবা মহাক্লা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মোটবুংদা এদুকেস্নেল ট্রেনিং স্কুল অমা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরগী রিকগনিসন ফংবগী থৌরম অমসুং স্কুলগী শান্নবুং অমা খৃষ্টানং তৌবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টরনা হায়, স্কুল হায়বসি অঙাংশিংদা এদুকেসন পীনবা শেংলবা মফম অমনি। মোটবুং অসি জাতি কয়ানা খুন্দাবা অপীকপা ইন্দিয়া অমনি। মীয়াম্না আইন, ধর্ম্ম অমসুং অহল ওইরবশিংবু ইকাই খুম্নবীয়ু হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ই টি এস অদুগী ফাউন্দর এস কে লুনকাম, ভিলেজ ওঠোরিতিগী মীওইশিং, ওজাশিং, মহৈরোইশিং, লৈকাই অদুগী মীয়ামশিংসু শরুক য়াখি।

# স্কুল সার্ভিস তৌরিবা ভেন দ্রাইভর রাকেসকী শাজৎ কন্দেম তৌইঃ আই এস সি সি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ*

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লাংজিংদা লৈবা মোন্টেশ্বরি স্কুলগী মহৈরোই থিন্দোক থিঞ্জিন তৌবা ভেন দ্রাইভর অমনা মহাক্লা পুরিবা মহৈরোই নুপী মচা অমদা মোলেস তৌখিবগী থৌওংবু দেসাম অমসুং এইমসকী অপুনবা ইন্দিজিনস ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিতি (আই এস সি সি)না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

আই এস সি সিগী কনভেনর মোইরাংথেম অঙম্বা মৈতৈ অমদি কো কনভেনর রাজেস য়ুম্নামনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা লমচৎ কাম্বা ভেন দ্রাইভর ইরোম রাকেস এলাইজ নাওবা লম্বোইখোঙনাংখোং মমাঙ লৈকাই মীয়াম খঙনা অথুবা মতমদা সরকারনা আইনগী মখাদা মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনগদবনি।

আই এস সি সিগী থৌমীশিংনা মহৈরোই নুপী মচা অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং উন্নবদা মখোয়না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হৌখিবা নিংথৌকাবা স্কুলগী সেসন হৌবা নুমিৎ ওইবনা স্কুল ফাওবা থিল্লুরবা মতুং হল্লকপদা মমাঙ চহীদা থিন্দোক থিঞ্জিন তৌবা ভেন দ্রাইভর অদুদা ফোন তৌদুনা পুবিরক্লবা হায়খিবনি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা মহৈরোই নুপী মচা অদু মশা নুংঙাইতে হায়বদগী হংনরুবদা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউদম্লকখিবনি। নোঙানবগী অয়ুক্তা ভেন দ্রাইভর রাকেসনা অয়ুক পুং ৯ দগী হৌবা ক্লাসকীদমক পুং ৭.১০ তাবদা অঙাং লৌবা লাকখি। মদুদা ইমুংগী মীওইশিংনা ফারগা হংবদা ৱারী ৱাখোঙ পুন্নমক খঙনরকপনি হায়নসু পাউদম্লকখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসিগী খুন্নাই অসিদা নোংমকাংদনা নুপী ওইবীশিংগী ইজ্জৎ তেমশিংন্নবগী থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লি। য়েলহৌঙেদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরকখিবশিংদগী হেন্দোক্তুনা শৈদাংদুনা লৈরবা মীয়ানচাশিংনা ফাওবা লমদম অসিগী চনুরা ওইবীশিংদা মীৎয়েং কারন চঙলক্তুনা ইজ্জৎ তেমশিংনবগী থৌওং কয়া থোরক্লি। অসিগুম্বা থৌওং মখা তানা থোক্তনবা সরকারনা চিন্দা লাওবা নত্তবদা থবক ওইনা নুপীমচাশিংবু ঙাক শেনবীগদবনি। থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি য়েংলুরগা চিন্দা লাওদুনা লৈবনদি লাকশিনবা ঙম্লোই। অদুনা আইনগী ওইবা চপ চাবা থবক লৌখৎতুনা ভেন দ্রাইভর ইরোম রাকেস মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি। করিগুম্বা সরকারনা তুমিন্না লৈশিল্লবদি মহৈরোইশিংগী য়েংদুনা মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাগনি হায়রি।

# ময়াই কাবা নিষাগী মায়োক্তা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে, য়ুঙৌ লিটর ১০০সু ফাগৎখ্রে




*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ*

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তাংজেং খুনৌ মান্দপতা থা অসিগী ২দা কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অমসুং তাংজেং খুনৌ মৈরা পায়বী লুপকা খূৎশম্নদুনা 'নিষানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অদুদা কাঙবম ওংবী ইবেমপীশক প্রসিদেন্ট তাংজেং খুনৌ মৈরা পায়বী লুপ, হিজম প্রিয়োকুমার প্রসিদেন্ট ইন চার্জ কাদা, সোরোখাইবম নেনা প্রসিদেন্ট কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা পুন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমদি ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী ময়েংবম বুধিনা পুন্না রিছোর্স পাসর্নশিং ওইদুনা ৱা ঙাংখি।

এন দোরেননা হায়, লমদম অসিদা নিষা শীজিন্নবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক ৱাংলে। লৈকাই খূদিংগী নিষা থিংবগী ইহৌ কন্না চঙশিনবা মতম য়ৌরে। নিষা থিংবদা মৈরা পায়বী, ক্লবশিংগী অচৌবা থৌদাং য়াম্না চাওনা লৈ। নিষা শিজিন্নবনা হকচাং শোকহনবতা নত্তনা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা ফংহল্লি। ইমাশিংনা নিষা থিংবদা মাংজিল থাদ্রবদি হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিং নিষাদা লাইচুখ্রগনি হায়না ফোঙদোকখি।

এম বুধিনা হায়, নিষা থিংবা অসি ঙম্লোই হায়না লৈথোক্লগদি মাংবা অসুম হেনগৎলক্কনি। ইমাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবিবনা মফমসিদা খরদা ওইরবসু ইংলিবনি। নিষা শিজিন্নবনা অমাংবা নত্তনা করিগুম্বা অফবা অমত্তা পুরক্তে। লৈকাই অসিদসু নিষাগা মরী লৈনবা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম তোইনা পাঙথোক্তুনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু কন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়, পুলিস অমদি এক্সাইসনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপীয়ু। মতমগা চুননা আইন শেম্মু, চান্নবা আইনশিং শেমদোক্ত্রগদি পুলিস অমদি এক্সাইস দিপার্টমেন্টনা পাঙ্গল থোক্লা নিষা থিংবা ঙমদ্রিবরা কুপ্পা য়েংশিনবা তাই। ঐখোয় খুদিংমক্লা সরকার, পুলিস, এক্সাইস, ক্লব, মৈরা পায়বী পুন্না খুৎশম্নরগা নিষা থিংবা তাই হায়না ফোঙদোকখি।

কাঙবম ওংবী ইবেমপীশক্লা ফোঙদোকখিবদা তাংজেংগী অকোইবদা নিষা থিংবদা মীপুম খুদিংম্না মতেং পাংবীয়ু। নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদ্রগদি খুন্নাই অসি লোইনা মাংলগনি। মণিপুর লৈমায়দগী নিষা মরু ফংনা মুত্থৎপদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং ৱাবগাই তেরা উরক মৈরা পায়বী লুপকা খূৎশম্নদুনা ঙরাং চত্থখিবা দ্রাইভতা মীওই অমদগী য়ুঙৌ লিটর ১০০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মীওই অদুদি নিঙোম তম্ফা (৪৮) অপোকপা এম অমুলৈশংনি হায়রি।

# লিলোংদা রুবেল্লা অমদি মিজলসকী মতাংদা এৱেয়ারনেস পাঙথোকখ্রে



*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ*

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা লিলোং অতৌখোঙদা লৈবা ৫ ষ্টার ইংলিস স্কলদা মিলজস অমসুং রুবেল্লা (এম আর) ভেক্সিনেসনগী মতাংদা এৱেয়ারনেস পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা হিদাকসু কাপথোকখ্রে হায়রি।

এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অসিগা মরী লৈননা দিপ্যুতি কম্মিস্নার থৌবাল রোসিতা হাওবম আই এ এসনা ফোঙদোকখিবদা মিজলস অমসুং রুবেল্লাগী মতাংদা মার্চকী তাং ২৬তা কেম্পেইন হৌরকপদগী মুস্লিম্মা নম্মা তাবা খুলশিংদা ৱাটসএপ, ফেসবুক অমদি তোঙান-তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়াশিংদা লান্না তোকঙা শন্দারকপদগী খুরৌথাংবা ওইরপশিং অদু থোক্তনবগী মতাংদা ঙসিগী এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ওফিসার ডা. এন একেন্দ্র, এস দি ও লিংলোং উমানন্দ, য়ুনিসেফকী কনসলন্টে রিজাউদ্দিন, মোইনোরিটি কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন ডা. সয়িদ বাসাউদ্দিন অমসুং অঞ্জুমানগী মরু ওইবা মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

# ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস চেয়ারপার্সনদা মরাল শীবা য়ানিংদে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ*

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন মহেরুদ্দিন অমদি ৱার্দ নম্বর ৮গী কাউন্সিল্লর অব্দুল করিম্না ভাইস চেয়ারপার্সনগী মথক্তা শিরিবা মরাল য়ানিংদে হায়না ভাইস চেয়ারপার্সন নাজিরুদ্দিননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়, চেয়ারপার্সন মহেরুদ্দিননা ফম থাদোকপগী চেরোল অমা মঙোন্দা পীশিল্লকখি অমসুং একজিক্যুটিব ওফিসারদা ফোরৱার্দ তৌখি। অদুবু চেরোল অদু শাশিন্নবনি হায়না মরাল শীরক্লিবা অসি অরানবনি। কাউন্সিল্লর অব্দুল করিম্না মহাক রিজাইন তৌখিবা লৈতে হায়না ই ওদা চে পীরম্মী হায়বা অদুগী মখা তাবা পাউখুম পীরকখিবসু লৈতে। অব্দুল করিম্না ভাইস চেয়ারপার্সন, কাউন্সিল্লর এম ইবেতোম্বী লৈমগী মপুরোইবা প্রেমজিৎ অমসুং কাউন্সিল্লর মিনারজানগী মপুরোইবা অনৱারনা কিহল্লগা কাউন্সিল্লর অব্দুল সলামগী য়ুমদা সহি লৌখি হায়বা অদুসু অরানবনি মরম চাদে। অদুনা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা মখোয়না লাল্লে হায়না শেংদোরক্কদবনি। নৎত্রবদি আইনগী মতং লৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।